# হুইয়েন লানপাউ HUEIYEN LANPAO

Refreshingly Reliable — The messenger of the masses


কোংপাল কোংখাম লৈকাই অমসুং চীংমৈরোং নেপালি বষ্টি মনিং লৈকাইদা অশানবা য়ুমদা লৈবা মীওইশিংদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফেরোইজম নন্দো লুৱাংনা লুচিংবা টিম-না চেঙ তেংবাংখিবা



লামায় ৫

দোলাং চিরু ভিলেজ, সিংঙাই নমদাই পরেংবা ভিলেজ, বুংতে চিরু ভিলেজগা কোভিদ-১৯ রিলিফ কন্মিটি বিষ্ণুপুরগা চান-থক্লবা য়াওনা তঙাইফদবা পোৎলমশিং তেংবাং পীনখিবা



লামায় ৫

ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর ফাওরগা নারোন্দা পুশিল্লকপা য়াল্লবা ব্রিন চুরুটকী পেক্কেটশিং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদগী ফারবা তুংদা পাউমীশিংদা উৎখিবা



লামায় ৫

খোংজোম নুমীৎনা লাকপগা মরী লৈননা থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজননা শীন্দুনা খোংজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সকী অকোয়বা মফমশিং শীৎ শেংদোকখিবা



লামায় ৫

Vol. 44, Issue No.029 | শগোলশেন, শজিবুগী থাশু | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, April 23, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## গভর্ণর, সী এম য়াওনা পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস): মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লুবগী লানফমদা থৌনা ফরবা ইপা-ইপুশিংনা খোংজোমগী লানফমদা থৱায় কৎখিবগী নুমীৎপু নীংশিংবা ওইনা হয়েং এপ্রিল ২৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা খোংজোম দেগী থৌরমগা মরী লৈননা গভর্ণর নজমা হেপ্তুলা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনচিংবনা মীয়ামদা পাউজেল পীরক্লি।

রাজ ভবনদগী থাদোরকপা চেরোল অমদা গভর্ণরনা হায়, কুমজা ১৮৯১ গী এংলো-মণিপুরী ৱার অমদি খোংজোমগী লানফমদা থৱায় থাখিবা অথৌবশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী নীংতম্বা ঙাক্লুবা ফিরেপ লৌমিন্নবা মতম ওইরে। খেন্নবা ৱাখল্লোন পুন্নমক থাদোক্তুনা ঈং-তপ্পা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনরসি।

চীফ মিনিষ্টরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খোংজোম দেনা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## খোংজোম দে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচ এন এস): খেবা চীংদা লৈবা খোংজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা ষ্টেট ফঙ্কসন ওইনা পাঙথোক্কদবা 'খোংজোম দে' ২০২০গী মতাংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা লৌখিবা ৱারেপ মতুং ইন্না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ইচম চম্বা মওংদা হৈকৎ-লৈকৎ তল্লগা মীশিং য়াম্না তিনহন্দনা থৌরম পাঙথোক্লগনি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কন্মিস্নর এন বন্দনা, আই এ এসনা থোকখিবা চেরোল অমগী মতুং ইন্না কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা লোকদাওন তৌখিবগী য়েংলগা মী কা হেন্না তিনহন্দনবা ইচম চম্না হৈকৎ-লৈকৎ তল্লগা খোংজোম দেগী থৌরম পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

# ডোক্তর, হেল্থ ৱার্করশিংদা এটেক চথুবা মীওইশিং চৈরাক পীনবা ওর্দিনান্স চৎনহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সী): লৈবাক অসিগী মফম পুন্নমক্তা ডোক্তর অমদি হেল্থ ৱার্করশিং খুদোংথিবা নংহন্দনবগী পান্দমদা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ইপিদমিক দিজিজেস এক্ট ১৮৯৭ এমেন্দমেন্ট তৌরগা ওর্দিনান্স অমা চৎনহনখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রকাস জাবেদকরনা হায়খি মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ময়াই তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা য়ুনিয়ন কেবিনেটকী মীফম্না ওর্দিনান্স অমা চৎনহল্লগা ডোক্তর অমদি হেল্থ ৱার্করশিংদা এটেক চথরকপা মীওই পুন্নমক চৈরাক ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। ওর্দিনান্স অসিগী মতুংইন্না মরাল লৈবা মীওইশিং থা ৬ তগী চহী ৭ ফাওবা জেলদা থম্বগা লোয়ননা লুপা লাখ ১ দগী লুপা লাখ ৫ ফাওবা ফাইন থিহনগনি।

হেল্থ ৱার্করশিংদা এটেক চথুবা হায়বসি বেল লৌবা য়াদবা ক্রাইম ওইরগনি। লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিন্নবা মথৌ পাঙথোক্লিবা হেল্থ ৱার্করশিংদা তাথি-তাওইনা তৌবগী থৌদোক থোরকখ্রবা মতুংদা সেন্টর-না ওর্দিনান্স অসি চৎনহনখিবনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎপদা মাঙজিল থানা মথৌ পাঙথোক্লিবা হেল্থ ৱার্করশিংদা লুপা লাখ ৫০গী ইন্স্যুরেন্সকী খুদোংচাবা ফংহল্লে হায়নসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, 'দি ইপিদমিক দিজিজেস (এমেন্দমেন্ট) ওর্দিনান্স ২০২০' চৎনহনখিবনা

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসনা শিহনখিবা মীশীং ৬৭৮ শুখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২২(এজেন্সী): ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসনা শিহনখিবা মীশীং লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপগা লোয়ননা ঙসি নুমিদাং ফাওবদা পূম্না মীওই ৬৭৮ শুখ্রে। কোরোনাভাইরসকী কেস মশীংনা ২১,২৭৫দা হেনগৎলকখ্রে। অদুগা ফগৎলকপগী মীশীংনা ৩,৯৫৯ ওইখ্রে।

মালেমগী ওইনা কোরোনাভাইরসনা শিহনখিবা অপূনবা মীশীংনা ১,৮১,৩৫৬ য়ৌখ্রে। কেস মশীংনা ২৫,৯৮,৪৬১ য়ৌখিবগা লোয়ননা লায়না অসিদগী ফগৎলক্লবা মীশীংনা ৭,১২,২৫৪নি।

# কোরোনাভাইরস : দিল্লিদা মীদিয়া পর্সনেলশিং টেষ্ট তৌবা হৌখ্রে

### অসাম, কর্নাটকা অমসুং য়ু পিদসু মীদিয়া পর্সনেলশিং কোরোনাভাইরসকী টেষ্ট তৌননবা থৌরাং লৌখৎখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২২(ঐচ এন এস): মুম্বাইদা পাউমী ৫০ হেন্না অমসুং চেন্নাইদা বেজ তৌবা ন্যুজ চেন্নেল অমগী পাউমী ২০ হেন্না কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইখ্রবা মতুংদা দিল্লি লৈঙাক্লা মফমদুগী মীদিয়া পর্সনেলশিং কোরোনাভাইরসকী টেষ্ট তৌবা ঙসিদগী হৌখ্রে।

লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপগা মরী লৈনবা পাউদম কয়া মীয়ামদা তম্নবগীদমক ফিল্ডদা মথৌ পাঙথোক্লিবা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা মীদিয়া পর্সনেল কয়াদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরকপা অসিগী য়েংলগা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লুচিংবা লৈঙাক্লা ঙরাং মীদিয়া পর্সনেলশিংগী টেষ্ট তৌননবা স্পেসল কোভিদ-১৯ টেষ্ট সেন্টর

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## য়ু কেদা ঙসি কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন মীওইবদা চাংয়েং তৌরগনি

লন্দন, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি): য়ুনাইটেদ কিংদমদা কোরোনা-ভাইরসকী ভেক্সিন অমা শগোলশেন নুমিত্তা মীওইবদা চাংয়েং তৌরগনি হায়না হেল্থ মিনিষ্টর মেট হেনকোকনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংদা পীবা ৱারোল অমদা য়ু কেগী হেল্থ মিনিষ্টর মেট হেনকোকনা হায়খি মদুদি, য়ুনিভর্সিটি ওফ ওক্সফোর্দকী সাইন্টিষ্টশিংনা শেমগৎপা ভেক্সিন অসি মীওইবদা চাংয়েং তৌবা মতমদা চাদা ৮০ গী চাংদা মায় পাক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। ভেক্সিন পুথোক্লবগী মতাংদা লৌখৎপা থৌরাং খুদিংমক্তা পাওন্দ মিলিয়ন ২০ পীগনি হায়নসু মিনিষ্টরনা লাউথোকখি।

হৌজিক-হৌজিক ইম্পরিয়ল কোলেজ লন্দননা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অমসু পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলিবনি। য়ুনিভর্সিটি ওফ ওক্সফোর্দকী জেনিফর ইন্সটিট্যুটতা পুথোক্লিবা ভেক্সিন অসি মীওইবদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## দিল্লিদা লৈরিবা মণিপুরীশিংদা ২শুবা তাঙ্কক্কী ওইনা তেংবাং পোৎলম য়েন্থোক্লবা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ (ঐচএনএস): দিল্লিদা লৈরিবা মণিপুরগী মহৈরোয়শিং অমদি থবক তৌদুনা লৈরিবা মণিপুরীশিংদা অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা তেংবাংগী পোৎলম য়েন্থোক্লবা মণিপুর ভবনগী রেসিদেন্ট কন্মিস্নর পি কে সিংহনা মহৈরোয়শিংগী মীহুৎ কয়াগা উন্দুনা খন্নখ্রে।



লোকদাউননা মরম ওইরগা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরিবা মণিপুরী ৩,১০০ হেল্লে। চয়োল খরগী মমাঙদগী মণিপুরীশিংদা মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি। ঙরাংসু মণিপুর ভবনগী টিম অমদি ভলন্টিয়রশিংনা গান্ধী বিহার, সঙ্গম বিহার, মলকাগঞ্জ, ইন্দর বিহার

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## ব্লেক মার্কেটতা চাকথোং গ্যাস য়োনবশিং ফাগৎপা হৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২(ঐচ এন এস): লোকদাউন অমসুং কর্ফ্যু চথুরিঙৈ মনুংদা চাকথোং গ্যাস ব্লেক মার্কেটতা মমল তাঙনা য়োল্লে হায়বা ৱাকৎ কয়া লাকপদগী লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা থৌরাংগী মতুংইন্না ঙসিদগী ব্লেক মার্কেটতা চাকথোং গ্যাস য়োনবশিং পুলিসনা ফাগৎপা হৌখ্রে।

চীফ সেক্রেটরিনা চ্যের লৌরগা ঙরাং পাঙথোকখিবা কোভিদ টাস্ক ফোর্সকী রিভিয়ু মীটিংনা চাকথোং গ্যাস সিলিন্দরশিং ব্লেক মার্কেটতা য়োল্লে হায়না মীয়াম্না থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ কয়াবু কুপ্না খন্নখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা য়েংশিন্নবগীদমক এদ্যুকেসন (এস)কী কন্মিস্নর টি রঞ্জিৎপু নোদল ওফিসর ওইনা হাপখিবনি। নোদল ওফিসর টি রঞ্জিৎনা হীরম অসিগী মতাংদা দি সীশিং, এস পিশিং অমদি সী এ এফ এন্দ পি দিগী দিরেক্টরদা অইবা চেরোল থাদুনা মতীক চাবা এক্সন লৌখৎননবা ৱাফম থমখিবনি।

মখা লামায় ৩ কলম ৭

## অথৌবা ইপা-ইপুশিংগী মফমদা কোরকোমনা ইকাই খুম্নবা উৎলক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২: খোংজোম নুমীৎকী ১২৯ শুবা কুমওন এপ্রিল ২৩, ২০২০না লাকপদা মতমদুগী লোইলম শন্দোকপদা হালেংদ্রবা, খুৎকন-পাঙ্গনবা বৃটিশশিংগী মখুৎতগী ইরমদম মণিপুর (কংলৈপাক)পু কন্ননবা নীং-খা তম্বগী লান্থেংদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা থৌনা ফরবা অথৌবা ইপা-ইপুশিংগী মফমদা কোরকোমনা কোক নোন্না য়াওলগী ইকাই খুম্নবা উৎচরি হায়না কোরকোমগী পব্লিসিটি কন্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, খোংজোম নুমীৎ অসিগা মরী লৈননা ইরৈচা মীয়ামদা ৱাফম খরদং থমজরি মদুদি নোংচুপ থংবা খা নোংপোক এসিয়াদা নীং-খা তম্বা লৈবাক অমা ওইনা পীক্লবসু পীক্লা পাঞ্জরম্বা ইরমদম মণিপুর (কংলৈপাক)না কমদৌনা মপাঙ্গল কল্লবা লোইলম শন্দোকপা বৃটিশশিংগী মখুৎতা মায়থিদুনা মীখা পোনখিবনো হায়বগী ৱারীদি অমুক পঞ্জদ্রবসু ইরৈচাশিংনা থোইনা হেন্না খঙবীরে। অদুবু মতাং অসিদা

...মখা লামায় ৬ কলম ১





HL-B/6156/23

## য়ু এন এল এফনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, এপ্রিল ২২: এম পি এগী প্রাইভেট তোংব্রম বেনর্জি এলিয়স অঙম্বনা হকচাংগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা লায়কন্নবা ঙমদনা হৌখিবা এপ্রিল ২০গী অয়ুক পুং ২.২০ লোম তারকপা মতমদা সাগ্যাং দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা খমতিগী হোস্পিটাল অমদা লৈখিদ্রে। মহাক্লা খঙহৌদনা লৈখিদবা অসি য়ু এন এল এফ/এম পি এগী অচৌবা মাঙজবা অমা ওইরগনি। অঙম্বা লৈখিদবা অসিদা য়ু এন এল এফ/মণিপুর পীপলস আর্মিগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি হায়না য়ু এন এল এফকী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী দিরেক্টর এম শক-হেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৈখিদ্রবা তোংব্রম বেনর্জি এলিয়স অঙম্বা অপোকপা তোংব্রম ইবোচৌবা অমদি অপোকপী তোংব্রম ওংবী নন্দিনী, ৱাঙ্খৈ থাঙ্গপাৎ মপান্দা লৈবনি। মহাক এম পি এগী ৪৪শুবা বেটচকী বি এম টি মায় পাক্লা শরুক য়ারবা মতুংদা কুমজা ২০১৭কী দিসেম্বর ২৩দা এম পি এ অমা ওইবগী ৱাশক লৌদুনা এম পি এগী লান্মী অমা ওইরকখি। অঙম্বা বি এম টি লোইরবা মতুংদা থা অমরোম লৈরগা কুমজা ২০১৮গী জন্যুৱারী ১৫দা এম পি এগী জি ঐচ ক্যুনা

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

### হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

## মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

**বিগ্যাচন্দ্রা খুমন, ময়াংলাংজিং তমাং**



মালেম শিনবা থুংনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা অৱাবা কয়া খাঙনরি। মণিপুরদসু কোরোনাগী চৈথেং কয়া ফংলি। থবক শুফম-নোমফম লৈতবনা অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈশিল্লক্তবনা নোংম-নোংমগী ফীভম লুশিল্লক্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মসিগী মথক্তা মণিপুরগী মফম খরদদি তঙাইফদবা পোৎলমশিং লৈশিল্লক্তবগী মথক্তা মতম শাংনা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংদ্রি। কুমজা ২০২০ ফাওবগী মনুংদা টোটিগী ঈশিং য়ুমথোং খুদিংদা ফংহল্লগনি হায়না পাইপ অনৌবা হাপ্তুনা অমদি পাইপকী মখুল ফাওবা হুৎতুনা থম্বিরল্লে অদুবু ঙসি ফাওবদা টোটি ঈশিং লাকত্রি। অমরোমদা চান-থক্লবা পোৎলমশিংদি খরদং ওইরবসু থি-হুমদুনা চানরি। অদুবু ঈশিংগী ওইনদি ময়াংলাংজিং তমাংগী মীওইশিং অঙকপা ফংনা ৱারে। হিংবদা ঈশিংগী মথৌ কয়াম লৈ হায়বসি পুন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অমদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা অথুবা মতমদা ঈশিং ফংহনবিনবা হায়জরি। থক্লবা অফবা ঈশিং ফংহনবিদ্রবদি কোভিদ-১৯দগী হেন্না শাথিবা শকউদবা লায়না কয়ানা ইরমদমগী মীয়াম খক নত্তনা লৈঙাকসু অৱাবা তারকপা য়াই। ময়াংলাংজিং তমাং খক নত্তনা মণিপুরদা থক্লবা অফবা ঈশিং ফংদনা লৈরিবা অতৈ মফমশিংদসু অফবা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনবীয়ু।

**মাইবম সোমেন, লাংমৈথেৎ ময়াই লৈকায়**



মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই অনী লৈরম্লবসু ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টর অমদি লমদম অসিগী দোক্টরশিংনা অমত্তা ওইনা পুন্না কন্না হোৎনবদগী ঙসিদি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই লৈতবা ষ্টেট অমা হায়বদু ওইরে। তশেংনা লমদম অসিগী ওইনা ঐখোয় পুন্নমক্কী য়াম্না চাউথোক্লিংঙাই ওইবা মীৎকুপ অমনি। ফীভম অসি মখা তানা অদুম্মক ওইহন্নবা লৈঙাক অমদি ঐখোয় পূন্না মখা তানা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। অফবা দোক্টরশিং কৌখৎতুনা অমগা-অমগা লিংজেল মান্ননা তাথোক-তাশিন তৌরগা ঙসি কোভিদ-১৯গা লান্থেংনরিবা অসিগুম্না হোৎনমিন্নরবদি লমদম অসিগী মীওই কয়া মপান লমদা পৈশা তিংনা লায়েংবা চৎলিবা অসি হন্থরক্তুনা লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন খরদি ফগৎহনবা ঙমগদ্রা হায়না খল্লি। ঙসিগী ওইরিবা ফীভম অসিদগী পারা অমা ওইহৌরগা হৈ-শিংলবা দোক্টরশিংনা অমদি লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯খক নত্তনা তোঙান-তোঙানবা লায়নাশিংবু মায়পাক্লা লান্থেংনবদা অচৌবা থৌদাং লৌহন্নিংই। ইন্দিয়া মনুংদা মণিপুরগী লৈঙাক অমদি দোক্টরশিংবু থাগৎনরক্লিবা অসিগুম্না তুংদসু শীংথাহন্নবা হোৎনবীয়ু।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৱাটসএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫দা নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com, hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৯.০৫ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১১.৫৩ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১.৬৭ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৪০

### HL Poll

Q: COVID-19 gi laichat marakta mathou pangthokliba paomeesing shingthanabidraba frontline worker ni haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: COVID-19 positive oiraga makhal amattagi laiongdi utthoraktaba meeoi khara Manipurdasu leiramba yai haibagi thajaba leibra?

Yes 80% No 20%

### অস! লোইরেহে!

